## সুপ্রিম কোর্টকী অযোধ্যা ৱায়েলগী মাঙওইননা সেন্টরনা ষ্টেটশিংদা চেকশিন্না লৈনবা খঙহনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৭(এজেন্সি)ঃ***

সুপ্রিম কোর্টনা রামগী পোকফম অমসুং বাব্রি মসজিদকগী লম য়েৎনরিবা অদুগী মতাংদা ৱায়েল পীগদবগী মাঙওইননা মীৎ–না শিংনা চেকশিন্না লৈননবা ষ্টেট পূন্নমক্তা সেন্টরনা খঙহনখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ঈরাং থোক্কনবা মফম পূন্নমক্তা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল মতিকচানা থন্নবা অমসুং লৈবাকসিগী করিগুম্বা মফম অমত্তদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা জেনরেল এদভাইজরি অমা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূন্নমক্তা থাখ্রে হায়না হোম মিনিষ্ট্রি ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রামগী পোকফমগা বাব্রি মসজিদকগী লমগী য়েৎনবা অদুগী সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অসি চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা থবক্তগী পোত্থগদবা নবেম্বর ১৭কী মমাঙদা লাউথোক্কবা য়াই।

পুলিস ওফিসিয়েল অমগী ৱাফম পল্লদুনা পাউগী এজেন্সি পি টি আইনা ফোঙদোকপদা অযোধ্যাদা লাইশঙগা মোস্ককগী য়েৎনবা কেস অদুগী মতাংদা মীয়ামনা খৌরাংনা ঙাইনরক্কিবা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল লাওথোক্কদবা নুমিৎ খরনিদা ঙাইশিল্লকপগা উত্তর প্রদেশ পুলিসনা মরোন মরী থোকপা সেক্যুরিটি থৌরাংগা লোয়ননা পূন্নমক থৌরাং তৌদুনা লৈখ্রে।

করিগুম্বা থৌরাং অমা শোইরবসু অতোপ্পা থৌরাং অমা খুদক্তা থবক্তা চংশিনগনি। সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুগী মাঙওইননা লাইশঙগী তাউন অদুগী মফম পূন্নমক্তা পুলিসমেন ১২,০০০ হেন্না থমখ্রে।

হোম এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিনসু ষ্টেট অসিদা পেরামিলিটরি জৱান ৪,০০০ থারকখ্রে। উত্তর প্রদেশ পুলিসকী প্রোভিন্সিয়েল আর্ম কষ্টেবুলারি (পি এ সি) য়াওনা মথঙ চয়োলগী অঙনবদা অহেনবা ফোর্সশিং থাজিল্লগনি।



ফিভমগী মতুং ইন্না অয়োধ্যাদা কার্ফ্যু থমজিন্নবা নৎত্রগা স্কুলশিং নৎত্রগা কলেজশিং থিংজিন্নবগী থৌরাংসু তৌরি। ঐখোয়না মহৌশা–মহৌশাগুম লৈতাবগী ৱাখল অমা উৎপা পাম্মি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

অযোধ্যাদা লৌখৎলিবা পাকচাওবা সেক্যুরিটিগী থৌরাংশিং অদু উত্তর প্রদেশ পুলিসকী এদিসনেল দাইরেক্টর জেনরেল রেঙ্ককী ওফিসার অমনা পায়রি। মখোয়না টেরর এটেকশিং, কম্যুনেল রাইওৎশিং, মীয়ামগী পেন্দবগী ঈহৌ, য়েৎনরিবা মফম অদুদা থোকপা য়াবা খুদোঙথিবা থৌদোক নৎত্রগা ওইরকপা য়াবা অহোবা অশোয়বা পূন্নমক থেংননবা থৌরাং তৌরি।

অযোধ্যা টাউন অমসুং দিষ্ট্রিক্টতা মী ৪দগী হেন্না পূনবা দিসেম্বর লোইবা ফাওবা থিংখ্রে। সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিং কুপ্পা মোনিটর তৌখ্রে। সোসিয়েল মেদিয়াদা ঈরাং থোকহনবা য়াবা ঈ–কাহনবা মরোনশিং শন্দোক্লবা হোৎনরকপশিং নেসনেল সেক্যুরিটি এক্টকী মখাদা থবক লৌখৎকনি।

অযোধ্যা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না অযোধ্যা ৱায়েলগী মতাংদা সোসিয়েল মেদিয়াদা য়েংথিহন্নিংঙাই ওইবা পোষ্টশিং সিয়ারিং তৌবা অমসুং লিঙ্কিং তৌবশিং পুলিসনা লৌখৎলকপা থবক্কী চৈথেং ফংনিঙাই ওই হায়রি।

উত্তর প্রদেশতা দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ও পি সিংহনা হায়খি, মখোয়না অযোধ্যা ৱায়েলগীদমক মপুং ফানা থৌরাং তৌরে অমসুং হেক মথৌ তারকপদা থবক চংশিন্নবা শেম–শাদুনা লৈরে হায়খি।

মখোয়না ফুট পেট্রোলিং চৎলি, পিছ কমিটিগী মীফমশিং পাংথোক্লি, দিষ্ট্রিক্ট সুপরিন্টেন্দেন্ট অমসুং মেজিষ্ট্রেট পূন্নমক মীয়ামগা পাউ ফাউনদুনা লৈনবা পাউতাক পীখ্রে।

ঐখোয়গী ইন্টিল্লিজেন্ট নেটৱার্ক কনখৎহনখ্রে অমসুং হেক মথৌ তারকপদা ঐখোয়না ফিভম অসি থুগাইনবা হোৎনরকপা এন্টি–সোসিয়েল ইলিমেন্টশিংগী মথক্তা নেসনেল সেক্যুরিটি এক্ট পানগনি হায়না মিষ্টর সিংহনা হায়খি।

অযোধ্যা পুলিসনা খূঙ্গং ১৬০০তা অমমমদা ভোলুন্টিয়ার ১০ থন্নবা ভোলুনটিয়ার ১৬,০০০কা মোবাইল এপ্লিকেসন কন্নেক্সন থমখ্রে। হৌজিক অযোধ্য দিষ্ট্রিক্টপু রেদ, য়েলো, গ্রীন অমসুং ব্লু হায়না তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিটি জোনশিং খায়দোক্তুনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা লৌখৎলে।

রেদ অমসুং য়েলো জোনশিং সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিং (সি পি এম এফ)না পান্নগনি। গ্রীন অমসুং ব্লু জোনশিংনা সিভিল পুলিসনা য়েংশিনগনি।

রেদ সেক্যুরিট জোন অসিনা য়েৎনরিবা মফম অদু কোনশিল্লি। য়েলো জোননা অযোধ্যাগী মাইল ৫গী মফমশিং কোনশিল্লি। গ্রীন জোননা লাইশঙ টাউন অদুগী অকোয়বদা মাইল ১৪গী কোনবা মফমশিংনি। ব্লু জোন হায়রিবসিনা অযোধ্যাগী থংনবা দিষ্ট্রিক্টশিং কোনশিল্লি।

পি টি আইগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্ট স্কুল ৭০০, উত্তর প্রদেশ বোর্দকী এদেদ স্কুল ৫০, সি বি এস ই স্কুল ২৫ সেক্যুরিটি ফোর্সশিং থমফম ওইনবা লৌশিনখ্রে।

লো এন্দ ওর্দর ঙাক্তুনা থন্নবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনা উত্তর প্রদেশকী অম্বেদকরনগরদা তোঙান–তোঙানবা কলেজশিংদা টেম্পোরেরি জেল ৮ লিংখৎখ্রে। জেলশিং অদুদি আকবরপুর, তানদা, জলালপুর, জাইতপুর, ভিটি অমসুং অল্লাপুরদনি।

মরকসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু লৈবাক অসিদা শান্তি অমসুং নুংশি–চান্নবা ঙাক্তুনা থন্নবা মথৌতাবা অদু চেৎনা পনখ্রে অমসুং রাম জন্মভুমি–বাব্রি মসজিদ কেসকী সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুগী মতাংদা ৱাথোক ওইবা য়াবা ৱারোল অমত্তা পীদনবা মহাক্কী মিনিষ্টরশিংদসু খঙহনখ্রে।

## শেনমিৎলোন হন্থরকপা শাথিরক্লবদি চিনানা টাইৱানদা লান্দারকপা য়াই ঃ টইৱান মিনিষ্টর

***টাইপে, নবেম্বর ০৭(এজেন্সি)ঃ***

যু এসকা মায়োক্লরিবা লাল্লোন–ইতিক্কী লান অমগী তালত্তা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইকোনোমি ওইরিবা চিনানা শেনমিৎলোন তপথরকপগী ফিভম শাথিরক্লবদি চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লেজিটিমেসিদা শোকচিল্লকপা মরন্না লৈবাক মনুংগী শাফু ওইবদগী মীয়ামগী ৱাখল থৈদোক্লবা বৈজিংনা সেল্ফ–রুল টাইৱানগা মিলিটরিগী খূৎ থোক্লবা অমা চত্থরকপা য়াই হায়না ঈথৎ লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টরনা হায়খ্রে।



অমরোমদা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট মীখল জনুৱারি থাদা পাংথোক্কদৌরিবগা লোয়ননা চিনানা মতম অমদা অমুক লৌশিনগদৌরিবা মখোয়গী টেরিটোরিনি খল্লিবা টাইৱানবু অমুক হন্না লৌশিন্নবগী কেম্পেন অমা চিনানা কনখৎলকখ্রে অমসুং ঈথৎ লৈবাক অসিগী দিপ্লোমেটিক এলাই খরবু চিংথোকখ্রে অমসুং ঈথৎ অসিগী অকোয়বদা বোম্বর পেট্রোলশিং চাং নাইনা পাইরক্লি।

পাউগী এজেন্সি রোইটর্সকা উন্নবা অমদা টাইৱানাগী ফোরেন মিনিষ্টর জোসেফ ৱুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মায়োক্লরিবা শাথিবা লল্লোন–ইতিক্কী লান অসিগী মরক্তা চিনাগী শেনমিৎলোনদা তপথরকখিবা অদুদা মীৎয়েঙ চংখি।

লৈবাক মনুংগী মরা চেৎতবনা য়ান্না শাথিবা ৱাথোক অমা ওইবা তারবদি শেনমিৎলোন তপথরকপগীসু য়ান্না শাথিবা ৱাথোক অমা ওইরক্লবদি, ঐখোয় য়ান্না চেকশিন্না লৈবগী মথৌতাবা মতাং অদু লাক্লে হায়না ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ৱুনা হায়খি।

লাক্কদৌরিবা খ্বাইদগী তমথিরবা ফিভম–মিলিটরি কনফ্লিক অদুগীদমক ঐখোয় ইশামক থৌরাং তৌদুনা ঐখোয়না লৈবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চিনাগী শেনমিৎলোন হৌজিকসু চাওখৎলক্লি। অদুবু মসি চহী অসিদা চহী ৩০গী মনুংদা য়ান্না হন্থবা থাক অমা য়ৌরবা য়াই। মদু ওইরবদি কম্যুনিষ্ট পার্টিগী পোলিটিকেল লেজিমিটেসিগীদমক মরুওইবা য়ুমফম ওইরক্লিবা চাউখৎপগী গ্রোথ অদু থন্নবা হোৎনবদা বৈজিংগীদমক অচৌবা শীংনবা অমা ওইগনি।

তাঙ্কক অসিগী ওইনদি চিনাদা শেনমিৎলোনগী ফিভম 'ও –কে' ওইরি অদুবু লৈবাক অদুদা থবক ফংদবা অমসুং মীয়ামগী পেন্নদবগুম্বা ৱাথোক কয়া মাঙদা উরিবসি য়েংনবা অতৈ লৈবাকশিংদা টাৱানগী ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা আপীল তৌরি।

চাইনিজ ইকোনোমি চাওখৎহন্দুনা থম্বা ঙমদবদগী চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিং মশামক্কী লূচিংবা ওইফম থোকপগী মায়োক্তা ৱাহং হংনিঙাই ওইরক্লি হায়না ৱুনা হায়খি।

লৈবাক মনুংগী মীৎয়েঙ অদুদগী থৈদোকহনখিনবা মপান লৈবাক্তা থবক অমা চত্থনবা চাইনিজ লূচিংবশিংনা ৱারেপ লৌরক্লবগীদমক মসিসু মরম অমা ওইরবা য়াই।

লমদম অসিদা চিনানা লান্দারকপা য়াবগী ফিভম হেনগৎলক্লিবা অসি য়ান্না শাথিবা নুংনাংনবগী মচাক অমা ওইরক্লি।

অদুম ওইনমক টাইৱানন্না হেক ঙল্লিবা মখৈ ষ্টেট ৱাংমা অসিদা শান্তি থন্নবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। তাইৱান অমসুং চিনানা পূন্না শান্তি ওইনা লৈমিন্নগনি হায়না ঐখোয়না লেপ্পমক আশা তৌই, অদুবু ঐখোয়না চিনানা ৱাথোক কয়া থোকহল্লক্লিবসি উই অমসুং মদু থেংননবা ঐখোয়না হোৎনগনি হায়খি।

## দোল্লর ৪৬,০০০দা য়োনখিবা ৱাইখুনা মালেমগী খ্বাইদগী তাঙলবা ওইরম্বা য়াই



***টোকিয়ো নবেম্বর ০৭(এজেন্সি)ঃ***

অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ওইরম্বা য়ারগদবা মমল দোল্লর ৪৬,০০০দা জাপানিজ অমনা স্নো ক্রেব অমা ওক্সনদা মায় পাক্তুনা লৈখ্রে হায়না মফমদুগী ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ইংথম থাগী মতমদা খ্বাইদগী পান্নবা সমুদ্রগী চিঙ্গাক অসিগী মতম নোংচুপ থংবা টোট্টোরি লমদমদা চয়োল অসিদগী হৌরে।

জপানদা টুনাদগী হৌরগা মেলনশিং ফাওবগী ওক্সনদা শিজনগী অহানবা ওইনবা অয়াম্বা মতমদা বায়রশিংনা য়াম্লবা শেনফমশিং পী। অসিমুক য়ান্না ৱাংলবা মমল অসিদা মদু লৈখিবদা ঐহাক অঙকপা পোকই হায়না কিলোগ্রাম ১.২ লুম্বা অমসুং ইঞ্চি ৫.৭ পাকপা ৱাইখু অদুগী মতাংদা মফমদুগী গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েল সোতা ইনামোনোনা হায়খি।

মহাক্কী মতুং ইন্না হন্দক্কী মমল অসি খ্বাইদগী হেন্না মমল তাঙবা ৱাইখুগী ওইনা গিনেস ৱার্ল্ড রেকোর্দতা মতম অদুদা চনখিবা হৌখিবা চহীগী য়েন মিল্লিয়ন ২গী রেকোর্দ প্রাইস অদুদগীসু হেনখ্রে হায়খি।

## মৈগী চীং পোকখায়বদা অনৌবা ঈথৎ শেম্লকখ্রে

***নুকুঅলোফা, নবেম্বর ০৭(এজেন্সি)ঃ***

টোনগান আর্কিপেলেগোদা সমুদ্রগী মখাদা মৈগী চীং অমা পোকখায়রকখিবনা ঈথৎ অমা লূপহনখ্রে অমসুং শরুক ৩ হেন্না চাউবা অতোপ্পা ঈথৎ অমা শেমলকখ্রে হায়না জিওলোজিষ্টশিংনা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা থাদোকরকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

মিটর ১০০রোম পাকপা অমসুং মিটর ৪০০ শাংবা অমসুং লূপখ্রবা হান্নগী ঈথৎ অদুগী নোংচুপতা মিটর ১২০লোম লাপ্পদা অনৌবা লাটৈকি ঈথৎ লৈ হায়না টোঙ্গা জিওলোজিকেল সার্ভিসকী টানৈলা কুলানা হায়খি, হায়রিবা ঈথৎ অদু পেসিফিককী নিংথৌপানবা লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা হাঅপাই কৌবা ঈথৎ কাংলূপ অদুগী মনুংদা কাউ অমসুং নাতেগী মরক্তা লৈ।

য়ুহার হাবশিং অমসুং মৈগী চীং পোকখায়গনবা মফম অমদা সমুদ্রগী মখাদা হৌখিবা থাদা নুমিৎ ১৮নি পোকখায়রকখিবা অমগী মতুংদা অনৌবা ঈথৎ অদু শেমগৎলকখিবনি। টোনগা হায়রিবসি পেসিফিক ওসিনদা য়ুহার হাবগী থৌওং তোয়না থোক্কনবা লমদম রিং ওফ ফয়ারগী মথক্তা লৈ।

## মীয়ামগী পুন্সিদা শোকহল্লোইদবনি ঃ ময়াবতি

***লক্ষ্ণৌ, নবেম্বর ০৭(এজেন্সি)ঃ***

অযোধ্যা কেসকী ৱায়েল মাঙওইননা বি এস পি সুপ্রিমো ময়াবতিনা ঙসি হায়খ্রে, মীয়ামগী সেক্যুরিটি পীবা অমসুং মখোয়গী নুমিৎ খুদিংগী লেল্লিবা পুন্সি শোকহন্দবা হায়বসি সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী কনষ্টিট্যুসনেল অমসুং লিগেল রেস্পোন্সিবিলিটিনি।



অযোধ্যাগী কেস অসিদা ৱায়েল অদু থুনা লাওথোক্লকপা য়াবগী ফিভম অসিনা মীয়ামগী ৱাখলদা লৈতাদবা অমসুং চিংনবশিং পোকহল্লে।

ঐহাক্না লৈবাক মীয়াম পূন্নমক্তা লৈবাক্কী অমসুং মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক ওইরিবা কোর্টকী ৱায়েল অদু ঈকাইখুম্নবা অপিল তৌজরি হায়না হিন্দিদা ত্বিইট অমদা ময়াবতিনা হায়খি। তোঙানবা ত্বিইট অমদা মহাক্না হায়খি, মীয়ামগী সেক্যুরিটি, মখোয়গী লন–থুম, মখোয়গী লাইনিং করিমতা শোকহন্দনা ঙাকপা অমসুং মখোয়গী নোংমগী লেল্লিবা পূন্সিদা অপনবা অমত্তা পীদনবা হোৎনবা হায়বসি ষ্টেট অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী কনষ্টিট্যুসনেল ওইবা অমসুং আইনগী ওইবা দায়ত্ব অদুনি।

চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়ানা লূচিংবা জজ ৫না শাবা কনষ্টিট্যুসনেল বেঞ্চ অদুনা শাংলবা নুমিৎ ৪০ হিয়ারিং তৌরকখ্রবা মতুং ওক্টোবর ১৬তা অযোধ্যাগী লম য়েৎনবগী কেসকী রাই অদু রিজার্ব তৌদুনা থমখিবনি।

## দিল্লিগী মনিল ওইনা অলৱারদসু উকিলশিংগা পুলিসকা খূৎ থোক্নখ্রে

***জয়পুর /অলৱার, নবেম্বর ০৭(এজেন্সি)ঃ***

ন্যু দিল্লিগী টিস হজারি কোর্ট কমপ্লেক্সতা থোকখিবা থৌদোক্তা পুলিসকা উকিলগা অনীগী মরক্তা চাওনা খূৎ থোক্নখিবা অদুগী মতুং ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রাজস্থানগী অলৱারগী কোর্ট কপ্লেক্সতসু উকিলশিং অমসুং পুলিস পার্সোন্নেলশিংগগী মরক্তা চাওনা খূৎ থোক্নখ্রে।

ফিভম অদু লাকশিন্নবা অহেনবা য়াম্লবা পুলিস ফোর্স শিজিন্নখি। মফম অদুদা লাকখিবা হরিয়ানা পুলিস কষ্টেবল অমা ফুখিবগীদমক, নুপী পুলিস অমা তাথি–তাওইনা তৌখিবা, পব্লিক সাভেন্টতা অপনবা পীবা অমসুং খূৎ থাখিবগীদমক উকিলশিংগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা এফ আই আর ৪ রেজিষ্টার তৌখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না টিস হজারি থৌদোক অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবা উকিলশিংনা হরিয়ানা পুলিসকী কনষ্টেবল অমা তাথি–তাওইনা তৌখি, মদুগী লমন খুম্বা ওইনা মফমদুগী শাওরবা পুলিসশিংনা কোর্ট কমপ্লেক্স মনুংদা উকিলশিং অদুগা খৎনখি।

থৌদোক অদু ঙরাং অয়ুক পূং ১১.৩০রোম তাবদা থোকখিবনি। কোন্না নুপি কনষ্টেবল অমনা মহাকপু উখিল খরনা নাতৈ চাদবা মওংদা লাক্লখি হায়না মরান শীখি। মদুদগী পুলিসকা উকিলশিং অদুগা ওনশিন্নদুনা অমগা অমগা খোল্লাওশিং লাওনখি।

য়াম্লবা উকিল ৫ এস পি ওফিসতা ফাদুনা থমখি অদুগা কোন্না থাদোকখ্রে।

## বি জে পিনা গভর্ণর উন্নখ্রে, শিব সেনানা এম এল এশিং হোটেলদা থাংদোকখ্রে, মহারাষ্ট্রনা করি থোক্লকদগে ঙাইনরি

***মুম্বাই, নবেম্বর ০৭(এজেন্সি)ঃ***

মহারাষ্ট্রদা ঙসি বি জে পিনা গভর্ণরগা উন্নখ্রে। অমরোমদা পার্টিসিগী খোঙবু শিব সেনানা মখোয়গী এম এল এশিং মুম্বাইগী হোটেল অমদা মফম হোংদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিদা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী অরোইবা মতম য়ৌশিল্লকখিবগা অমনা অমদা কন্না মরান শীনরি।

বি জে পিনা এম এল এ ১৮২ শৌগৎপা লৈরে হায়না ফোঙদোকখিবা পাউশিং তাবদা শিব সেনানা মখোয়গী এম এল এশিংবু খুদক্তগী তাশিন খোমজিনদুনা থমখ্রে।

সেনা চীফ উদধব থাক্করেনা মহাক্কী ময়ুম 'মাটোশ্রী'দা কৌবা মীফম অমগী মতুংদা পার্টি অদুনা মখোয়গী এম এল এ পূন্নমক অমসুং মসিবু শৌগৎপা ইন্দিপেন্দেন্ট খরবু বন্দ্রাদা লৈবা রঙ্গাশরদা হোটেলদা মফম হোংদোকখ্রে।

এম এল এশিং অদু মাতোশ্রীদগী কিলোমিটর খরখক লাপ্পা অমসুং শিব সেনাগী হেদক্কার্টরসতগী থোইনা লাপ্তবা হোটেল অদুদা নুমিৎ নীনিগীদমক থমখ্রে। শিব সেনানা মখোয়গী এম এল এশিং ঙাকশেন্দুনা থমখিবগা বি জে পিগী লূচিংবশিংগী খূৎপু অমনা গভর্ণর ভগত সিংহ কোসিয়ারি উন্নখ্রে।

বি জে পি–সেনা এলায়েন্সনা ময়েক শেংবা মজোরিটি অমা ফংলে অমসুং মদুগী য়ুমফমদা গভর্ণমেন্ট অমা শোয়দনা শেন্নগনি। ঐখোয়না হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিংদা ওইরকপা য়াবশিং অমসুং তৌবা য়াবা লিগেলগী খোঙথাংশিংগী মতাংদা গভর্ণরগা খন্নরে হায়না মহারাষ্ট্রগী বি জে পি চীফ চন্দ্রকান্তা পতিলনা ফোঙদোকখ্রে।

মখা তাবা চত্থগদবা লম্বীগী মতাংদদি পার্টি লিদরশিপনা ৱারেপ লৌরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চীফ মিনিষ্টরগী ফম তঙ্খায়–তঙ্খায় য়েন্নবগী শিব সেনাগী দিমান্দ অদু পীথোপদা বি জে পিনা য়ারকখিদ্রি।



উদধব থাক্করেনা বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহগা উন্নদুনা খন্নরে হায়খি।

ঙসিগী মীফম অদুদা উদধব থাক্করেনা করিগুম্বা মহাক্না চীফ মিনিষ্টরগী ফম অদুদগী হন্থবা অদু য়াওবা পাল্লবদি মহাক্না নুমিৎ ১৫নিগী মতম করিগী মাঙহনগদৌরিবনো হায়না এম এল এশিংদা হংখি।

বি জে পিনা গভর্ণরগা উন্নখি অদুবু গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী দিমান্দ তৌখিদে। করিগীদমক মখোয়না মখোয়বু শৌগৎপ এম এল এশিংগী লিষ্ট অদু পুরগা চৎত্রিবা করিগীনো। মদুনা তাক্লিবদি বি জে পিনা মশাগী ওইনা মেজোরিটি অমা শেমগৎপা ঙমদ্রে হায়বনি।

মখোয়না করিগুদমক শক্তিগী মীহৌবসি থাদোক্ত্রিবনো অমসুং মখোয় গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙমদ্রে হায়না ঐখোয়দা হায়দ্রিবা করিগীনো হায়না শিব সেনাগী এম পি সঞ্জয় রাউতনা হায়খি।

সিটি ২৮৮ লৈবা মহারাষ্ট্রা এসেমব্লিদা বি জে পিনা এম এল এ ১০৫ অমসুং সিনাগী ৫৬ লৈ। অনী অসি পূনশিল্লগা মেজ্যুরিটি ওইগদবা ১৪৫কী মশীং অদুদগী ফজনা হেল্লে। অদুবু সেনানা কান্নবা চপ মান্নবা লৌরগা লোয়নবা পাম্লি।

অদুম ওইনমক চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিজনা অনীশুবা, মপূং ফাবা তার্ম অমা মখা চত্থিগনি হায়না হন্না হন্না বি জে পিনা হায়খ্রে। দেবেন্দ্র ফদনাবিজনা মীয়ামগী অপাম্বা অদুনি অমসুং মহাক্না গভর্ণমেন্ট অদু লূচিংগনি।

বি জে পিনা সিটি ১০৫ মায় পাকখি মরম অদুনা চীফ মিনিষ্টর অদু বি জে পিদগী ওইফম থোকই হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গাদকরিনা হায়খি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গাদকারিবু অসিগুম্বা চয়েৎনবা অসি লোয়শিনবা ঙম্বগী থৌদাং লৌবা ঙম্বা অমা ওইনা নৎত্রগা চীফ মিনিষ্টরগীদমক ওইথোকপা য়াবা কেন্দিদেট অমা ওইনসু উরি। নিটিন গাদকারিনা চীফ মিনিষ্টর ওইবসি শিব সেনানসু হেন্না য়ানীংবা লৈ।

শিব সেনা এম এল এশিং মনাক্তা কনামতনা লাকপা ঙম্লোই। ঐখোয়গী এম এল এশিং মখোয়গী ফিরেপতা চপ লেপ্তুনা লৈ অমসুং পার্টিবু য়ারি হায়রদুনা সেনা এম এল এশিং মফম হোংদোকখ্রে হায়বদু মিষ্টর রাউতনা হান্নদগী য়াখিদে।

হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা এম এল এ পূন্নমক পূন্না লৈবগী মথৌ তাই। উদধবজিনা লৌরকপা ৱারেপ পূম্বা এখোয় পূন্নমক ইনগনি হায়না সেনা এম এল এ সুনিল প্রভুনা হায়খি।

করিগুম্বা হয়েং ইরাই ফাওবগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট অমা শেমদবা তারবদি মহারাষ্ট্র প্রসিদেন্ট'স রুম মখাদা লৈখ্রগনি। ষ্টেট এসেমব্লিগী তার্ম থাংজ নুমিৎতা লোইরে।

শিব সেনাগী এম পি সঞ্জয় রাউতনা এম এল এ ১৭০ হেনবগী শৌগৎপা লৈরে হায়না মুকখি অদুবু হৌজিক করমনা তৌরিবনো হায়বা শেংনা ফোঙদোকখিদে।

কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা মতম শাংনগী ওইবা য়েংথিনবা বি জে পিগা চৎমিন্নবা খন্নসি হায়বা য়ারকখিদবগা লোয়ননা শিব সেনানা রাইবেল নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি)–কোংগ্রেস এলায়েন্সকী শৌগৎপা ফংনবা হোৎনখিবা অদু ফল অমত্তা ফংখিদবনি।

## চাইনিজ ১ য়াওনা মীওই ৩দগী ক্রোর ৭কী সনা কেজি ২১ রোম হেন্না ফারে

***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৭(এজেন্সি)ঃ***

টাইৱান অমসুং হোং কোংদগী সনা লোন্না লল্লোনবা কাংবুগী লূচিংবা অমা ওইগনি থাজবা চাইনিজ অমা য়াওনা মীওই ৩দগী লূপা ক্রোর ৭ হেনবগী সনা কেজি ২১ রোম হেন্না দাইরেক্টোরেট ওফ রেভিন্যু ইন্টিল্লিজেন্সনা ফারে হায়না ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

অহানবগী থিগৎপদা থবক অসিদা চিনাদা লৈবা অমসুং টাইৱানদা লৈবা তোঙান তোঙানবা হুরান লল্লোনবা সিন্দিকেট অনী য়াওই হায়বা খঙলে। মখোয়না কোল–লিক অমসুং য়ুমগী শিজিন্নবা অতৈ পোৎ–চৈশিংগী মনুংদা লোৎশিল্লগা সনাশিং অদু ইন্দিয়াদা লোন্না পুশিল্লকপনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

টাইৱানদা লৈবা সিন্দিকেট অদুনা আর ও ৱাটর প্যুরিফায়রশিংগী সেদিমেন্ট ফিল্টরশিংগী মনুংদা সনা অদু লোৎশিল্লগা ন্যু দিলিদা পুরকখিবনি অমসুং মদু সিন্দিকেট অদুগী মেম্বরশিংনা অমুক লৌশিনবনি।

সনা অদু অমুক হন্না শৌদোকহনবগী প্রোসেস শিজিন্নরগা সেদিমেন্ট ফিল্টর অদুদগী অমুক লৌথোকই। লৌথোক্লবা সনা অদু কেরোল বাঘতা লৈবা জুয়েলরশিংদা য়োল্লি। জুয়েলরশিং অসিবুসু থিজিল্লি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি।

টাইৱানিজ নেসনেল অমা য়াওনা মীওই ২ অমসুং সনা অদু লৌশিন্নবা লাকপা ইন্দিয়ান অমা ওপরেসন অদুদা ফাখি।

দিল্লি এয়ারপোর্টতগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা চাইনিজ নেসনেল অমসু ফাখি হায়না রেভিন্যু ইন্টিল্লিজেন্সকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

## এম্বুসতা বরকিনা ফাসোদা মীওই ৩৭ শিখ্রে

***ঔৱগাদৌগৌ, নবেম্বর ০৭(এজেন্সি)ঃ***

বারকিনা ফাসোদা কানাদিয়ান মাইনিং কম্পেনি সেমাফোগী থবক শুবা মফমদুগী মীওইশিং পুরকপা কনভোয় অমদা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা এটেক অমা চত্থরকখিবদা মীওই ৩৭ শিখ্রে অমসুং ৬০রোম শোকখ্রে হায়না রিজনেল গভর্ণর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মীওই চা কয়াগী পূন্সি মাঙখ্রবা জিহাদিষ্ট লালহৌ অমা মায়োক্নরিবা নোংচুপ আফ্রীকাগী লৈবাক অসিদা থা ১৫গী মনুংদা মসিনা মেবাফোদা চত্থরকখিবা মীশি–মীনা থোকপা ৩শুবা এটেকনি।

মশক খঙদবা খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা ঙরাং য়ুমশকৈশাগী অয়ুক্তা কানাদাগী মাইনিং কম্পেনিগী থবক শুবা মীওইশিং পুরকপা কনভোই অদুদা এম্বুস তৌরকখিবনি।

বাউনঙৌ সনাগী খোনি অদুদগী চাওরাক্না কিলোমিটর ৪০রোম লাপ্পিঙৈদা মিলিটরিনা এস্কোর্ট তৌদুনা লাকখিবা বস ৫দা এম্বুস তৌরকখিবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা সনাগী খোনি অদুগী মপু সেমাফো ইঙ্কনা হায়খি।

## রেপ তৌরগা হাৎখিবগী কনভিকপু শিবগী চৈরাক পীবদা সুপ্রিম কোর্টনা অমুক হন্না চেৎশিনহনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৭(এজেন্সি)ঃ***

মঙোন্দা পীরিবা শিবগী চৈরাক্কী মায়োক্তা মহাক্না থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন ককথৎলদুনা, টামিল নাদুগী কোয়মবাতোরদা ২০১০দা চহী ১০দা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু মহাক্কী পীক্লিবী মৌপ্বা নুপাগা পূন্না হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা তমথিনা গেংরেপ তৌবগী কনভিক্সন ফংলবা মীওই অমা ঙাকপীনবগী মরম লৈতে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি হায়খ্রে।

জষ্টিস আর এফ নারিমাননা লূচিংবা বেঞ্চ অমনা ২ঃ১গী মেজ্যুরিটি জজমেন্ট অমদা হায়খি, কনভিক মনোহরনগী শিবগী চৈরাক অদু মহাক্না খুন্নাইদা শাথিরবা মরান অমা লঙজবা মরন্না রিভ্যু তৌনবগী মরম লৈতে জষ্টিস নারিমান অমসুং জষ্টিস সুরজকান্তনা রিভ্যু প্লি অদু ককৎখি, অদুবু জষ্টিস সঞ্জিব খানানা পুন্সিচুপ্পগী জেলগী চৈরাক পীবনা ফৈ হায়বা মহাক্কী হান্নগী মীৎয়েঙ অদুদা চপ লেপখি।

মেজোরিটি জজমেন্ট অদুগী য়েংলগা রিভ্যু পিটিসন অদু ৱাফম পূন্নমক ককথৎলে লৌগনি হায়না বেঞ্চ অদুনা হায়খি। মনোহরন শিবগী চৈরাক পীবা অদু মদু রিভ্যু তৌনবা মহাক্না হায়জরকখিবদগী সুপ্রিম কোর্টনা হৌখিবা থাদা ষ্টে তৌখি।

কো–এক্যুজ অমগা লোয়ননা মনোহরনা নুপীমচা অদুবু গেং–রেপ তৌবগী অমসুং কোন্না মহাপু অমসুং মহাক্কী চহী ৭তা ঙাইরিবা মৌপ্বা নুপাবু মখূৎ পূশিল্লগা কেনেল অমদা লংথরগা হাৎখিবগী মরান ফংখি। ক্রাইম অদুবু থম্মোয় শোকপা অমসুং ৱাখল ঈংনা খল্লগা চত্থবা মীহাৎনি অমসুং মসিগী মরান অসি খ্বাইদগী তাঙলবশিং মনুংদগী অতাঙবা মখলগী মরাননি হায়রদুনা সুপ্রিম কোর্টনা ট্রায়েল কোর্ট অমসুং মদ্রাজ হায় কোর্টকী শিবগী চৈরাক পীনবগী ৱায়েল অদু শৌগৎখি।

মনোহরন অমসুং খূৎ থোক্নবা থৌদোক অমদা কোন্না নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা কো–এক্যুজ মোহনাকৃষ্ণননা নুপী মচা অমসুং মহাক্কী মৌপ্বা নুপা অদুবু স্কুল কারকপদা ওক্টোবর ২৯, ২০১০দা লাইশঙ অমগী মপান্দগী ফারগা পুরকখি। মীওই অনী অসিনা অঙাং অনীমক্কী মখূৎশিং অদু পূশিনখি অমসুং মখোয়বু হূ পীজদুনা হাৎনবা হোৎনদ্রিঙৈগী মমাঙদা তমথিবা মওংদা গেং–রেপ তৌখি।

অঙাংশিং অদুনা শিদ্রবদা নুপাশিং অদুনা মখোয়গী মখূৎশিং পূশিনখি অমসুং পরমবিকুলম–এক্সিয়ার প্রোজেক্ট কেনেলদা লংথখি অমসুং কেনেল অদুদা মখোয় ঈশিং ঈরাক্নরগা শিখি।

## এম পিনা কোংগ্রেস লূচিংবশিং, এাইশিংগী মথক্তা লৈরম্বা ক্রিমিনেল কেসশিং লৌথোকখ্রে

***ভোপাল, নবেম্বর ০৭(এজেন্সি)ঃ***

মধ্য প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা পি সি শর্ম, টরুন ভানোত অমসুং প্রধুমান সিংহ তোমার হায়বা কেবিনেট মেম্বরশিংগী মথক্তা লৈবা য়াওনা চহী অসিগী জনুৱারিদগী মখোয়গী এম এল এশিং অমসুং মিনিষ্টরশিংগী মথক্তা লৈবা কেসশিংগী মনুংদা য়ামদ্রবদা ক্রিমিনেল কেস ৩০ ৱিদ্রো তৌনবা ওর্দরস থোকখ্রে।

গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্টশিং তৌবগীদমক, খুদম ওইনা রাইওটিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েল অমনা পীখিবা ওর্দর অমা ইনদবগুম্বগীদমক ইচম–চন্না রেজিষ্টর তৌখিবশিংগা মরী লৈনবা কেসশিং লৌথোক্লগনি হায়না লিখুনশিংনা হায়রি। মীহাৎপা, হাৎনবা হোৎনবা নৎত্রগা নুপী–নহাদা কারন তৌবগুম্বগী শাথিবা মখলগী ক্রিমিনেল কেসশিংদি কেস হন্দোকপগী লিষ্ট অসিদা য়াওদে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি। মসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ অদু কোর্টশিংনা লৌগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।


GAS TODAY

Hiyangthang Indane

Booking : 19/09/19

Valid : 17/09/19

Sl. No. : 280

Stk : 306

Time : 07.00 to 10.00 a.m.


সনা–সুদোকু – ২৯২ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 6 | 5 | 7 | 3 | 2 | 9 | 4 | 1 |
| 4 | 1 | 7 | 6 | 9 | 8 | 5 | 2 | 3 |
| 3 | 2 | 9 | 4 | 1 | 5 | 7 | 6 | 8 |
| 5 | 7 | 1 | 9 | 8 | 6 | 4 | 3 | 2 |
| 6 | 4 | 3 | 1 | 2 | 7 | 8 | 5 | 9 |
| 2 | 9 | 8 | 5 | 4 | 3 | 6 | 1 | 7 |
| 1 | 8 | 6 | 2 | 5 | 9 | 3 | 7 | 4 |
| 9 | 5 | 4 | 3 | 7 | 1 | 2 | 8 | 6 |
| 7 | 3 | 2 | 8 | 6 | 4 | 1 | 9 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-293**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | 8 | | | 9 | 1 | |
| | | 7 | | | 1 | | 8 | 4 |
| 5 | | | | 6 | 9 | 7 | | |
| | | 9 | | 1 | 4 | 8 | | |
| 7 | 3 | 6 | | | | | | 1 |
| 8 | | 4 | 9 | | | | | 7 |
| | 9 | | | 7 | | | 4 | |
| 1 | | | 6 | 4 | | | | |
| | 7 | | 1 | | 8 | | | |